# রিলায়েন্সনা মুম্বাইদা ইন্দিয়াগী অহানবা দেদিকেটেদ কোরোনাভাইরস হোস্পিটাল লিংখৎখ্রে



**মুম্বাই, মার্চ ২৩(এজেন্সি)ঃ** রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রিজ লিমিটেদ (আর আই এম)না ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা মখোয়না মুম্বাইদা ইন্দিয়াগী অহানবা কোভিদ–১৯ দেদিকেটেদ হোস্পিটাল লিংখৎলে হায়খ্রে।

কোভিদ–১৯ টেষ্ট পোজিটিব ওইরবা অনাবশিংগীদমক ব্রিহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সি)গা খূৎশম্নরগা সার ঐচ এন রিলায়েন্স ফাউন্দেসন হোস্পিটালনা সবেন হিলস হোস্পিটালদা দেদিকেটেদ ১০০ বেদ্দেদ কোভিদ–১৯ সেন্টর অমা লিংখৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেমেন্ট অমদা আর আই এলনা হায়খি।

মখল অসিগীদা ইন্দিয়াদা অহানবা ওইরিবা সেন্টর অসি রিলায়েন্স ফাউন্দেসননা ফন্দ পুম্বা পুথোকপনি অমসুং মসিদা অমগা অমগা লৌনরকপা থিংবদা অমসুং লায়না লাক্সিনবদা মতেং ওইবা নেগেটিব প্রেসর রুম অমা য়াওই।

ফমুং পূন্নমক্তা ভেন্টিলেটর, পেসমেকর, দাইএলাইসিস মেছিন অমসুং পেসেন্ট মোনিটরিং দিভাইসকুম্বা মথৌতাবা বাইওমেদিকেল ইক্যুপমেন্ট অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

মুম্বাইদা ৱার্ল্ড –ক্লাস হেল্‌ঠকিয়ার ইনষ্টিট্যুসন অমা ওইরিবা সার ঐস এন রিলায়েন্স ফাউন্দেসন হোস্পিটালনা নোটিফাইদ তৌবা লৈবাকশিংদগী লাকপশিং অমসুং শন্নরুবশিং লিখুল লিরগা আইদেন্টিফাইদ তৌবা চিংনবশিং ক্বারেন্টিন তৌনবা স্পিসিয়েল মেদিকেল ফেসিলিটিশিং লিংখৎনবগী থৌরাংসু লৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

কোরোনাভাইরস শন্দোকপা থিংনবা মহারাষ্ট্র চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা লুপা ক্রোর ৫ অহানবগী ওইনা পীনবসু আর আই এলনা লাওথোকখ্রে।

কম্পেনি অসিনা লৈবাকসিগী হেল্‌ঠ ৱার্করশিংবু কোরোনাভাইরস হেন্না থেংনবা ঙম্নবা পার্সোনেল প্রোটেক্টিব ইক্যুপমেন্ট মশীং য়ান্না শানবা অমসুং নোংমদা ফেস–মাস্ক ১,০০,০০০ পুথোক্নবা মখোয়গী পোখোক পুথোকপগী কেপাসিটিশিং হেনগৎহল্লগনি।

রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রিজ লিমিটেদনা কোভিদ–১৯গী মায়োক্তা থেংননবা রিলায়েন্স ফাউন্দেসন, রিলায়েন্স রিটেল, জিও, রিলায়েন্স লাইফ সাইন্সেস, রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রিজ, পুল্লপসিদগী অপুনবা পাঙ্গল অমসুং রিলায়েন্স ফেমিলিগী মেম্বর ৬,০০,০০০ লোয়নমক দিপ্লোয় তৌখ্রে।

রিলায়েন্স ফাউন্দেসননা হৌজিক লৈরিবা অরুবা ৱাথোক্কী ফিভম অসিদা মথৌতাবশিংদা হিংনবগী তেংবাং পীনবা এন জি ও শিংগা খূৎশম্নরগা তোঙান–তোঙানবা সিটিশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা লেন্না চাক্লেনশিং পীজনবগীসু ৱাশক্লি।

আর আই এলনা ওথোরিটিজবু তেংবাংলি অমসুং ভাইরস অসি ফজনা টেষ্ট তৌনবগী থবক তৌরি। আর আই এলনা লোখিবালি, মহারাষ্ট্রদা ফুলি–ইক্যুপ আইসোলেসন ফেসিলিটি অমা লিংখৎখ্রে অমসুং মদু দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিজদা খূৎশিন্নখ্রে।

রিলায়েন্স লাইফ সাইন্সেনা ইফেক্টিব টেষ্টিংগীদমক অহেনবা টেষ্ট কিটশিং অমসুং কঞ্জুমেবলশিং মপানলৈবাক্তগী পুশিল্লক্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

আর এল আইগী জিওনা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং শৌগৎনবা মাইক্রোসোফ টিমশিংগা খূৎশম্নরি অমসুং মীয়ামদা মথৌতাবা পোৎলমশিং পীনবা মসিগী গ্রোসরিশিং হাংদোক্তুনা থমগনি।

সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং তৌনা–তৌনা লন্নাই মীওইশিং, মহৈরোইশিং, এদুকেসনেল অমসুং হেল্‌ঠ কিয়ার ইনষ্টিট্যুসনশিংবু মখোয়গী প্রোফেসনেলগী পুন্সি হান্নগুম মখা চথবা ঙমহন্নবা জিওনা মসিগী দিজিটেল কেপাবিলিটিজবু মাইক্রোসোফ টিমশিংগা পুন্সিন্নদুনা ওফিস ৩৬৫তা টিমৱার্ককীদমক পুন্সিন্নরবা কম্যুনিকেসন অমসুং কোলাবোরেসন হব শেমখ্রে।

লৈবাকসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা রিলায়েন্স রিটেলগী গ্রোসরি ষ্টোর ৭৩৬ অসি লোয়নমক্না সিটিজেনশিংনা মথৌ তাদনা পৈশিন্দুনা থম্বা তৌহন্দনবা নোংমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং, উহৈ, মনামশিং, ব্রেদ, ব্রেকফাষ্ট সেরিএল অমসুং অতৈ পোৎলমশিং মতিকচানা সপ্লাই তৌগনি হায়না রিলায়েন্সকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়খি।

# পাকিস্টানদা অনাবা মশীং ৯৫৮ য়ৌখ্রে, কোভিদ–১৯ থেংননবা ট্রুপশিং দিপ্লোয় তৌখ্রে



**ইস্লাবাবাদ, মার্চ ২৪(এজেন্সি)ঃ** পাকিস্টানদা কোরোনাভাইরসনা নারে হায়না শেংনা খঙলবা অনাবগী মশীং ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৯৫৮ য়ৌখ্রে। ওথোরিটিজগী মতুং ইন্না অশিবগী মশীংনা ৭ শুখ্রে।

ফিভম অসিদা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক অসি থেংননবা পাকিস্টানগী চীফ ওফ দ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল কমার জাবেদ বজৱানা লৌবকসিগী মফম পূন্নমক্তা ট্রুপস অমসুং মিলিটরি মেদিকেল রিসোর্সশিং দিপ্লোয় তৌনবা ওর্দর তৌখ্রে হায়না ঙসি মেদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংচুপ থংবা ঙমখৈ অমসুং লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা য়াল্লবা ট্রুপশিং দিপ্লোয় তৌরবসু আর্মি চীফনা মথৌ তাবগী মতুং ইন্না অফংবা ট্রুপশিং অমসুং মেদিকেল রিছোর্স পূন্নমক শিজিন্নবা পাউতাক পীখ্রে হায়না ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা টেলিভিজনদা উৎখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ইন্টর–সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্সকী দাইরেক্টর জেনরেল মেজর জেনরেল বাবর ইফতিখরগী ৱারোল পল্লদুনা ডোন ন্যুজনা হায়খি।

ইস্লামাবাদ গিলগিৎ–বালটিস্টান অমসুং পাকিস্টান ওকুপাইদ কাশ্মিরনচিংবা প্রোভিন্স পূন্নমক্তা ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা আর্ম ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌনবা খঙহল্লকখ্রবগী মতুংদা ৱারোল অসি লাওথোক্লকখিবনি। দিপ্লোয়মেন্টকী থৌরাং অদুগী মখাদা লান্মীশিংনা লৌগদৌরিবা শক্লোন অদু ভাইরস অদু মখা তানা শন্দোরক্কদবদগী লাক্সিন্নবা ফেদরেল অমসুং প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণমেন্টশিংনা লৌখৎলক্লিবা অথিংবশিং অদু চৎনহন্নবনি।

গভর্ণমেন্টকী দাইরেক্টিবশিংগী মখাদা স্কুলশিং, মোলশিং, সিনেমাশিং, মেরিয়েজ হোলশিং, রেষ্টোরেন্টশিং পূন্নমক থিংলগনি। লাইনিং নৎত্রগা পোলিটিকেলগী মীয়াম পুনবা অমত্তা য়াহল্লোই।

চানবা পোৎলমশিং পুবা ট্রকশিং খক নত্তনা লম্বীদা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট অমত্তা চেনবা য়াহল্লোই। ইন্টরনেসনেল ফ্লাইটশিংদা থল্লিবা অথিংবা অদু এপ্রিল ৪ ফাওবা চৎনখিগনি হায়না মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

ফুয়েল ষ্টেসনশিং অমসুং হোলসেল, ভেজিটেবল, ফ্রুট মার্কেটশিং হাংগদবা নুমিৎশিং অদু মরিলৈনবা প্রোভিন্সিয়েল এদমিনিষ্ট্যেসনশিংনা খঙহল্লক্কনি হায়না দি জি আই এস পি আরনা হায়খি হায়না ডোন ন্যুজগী পাউনা হায়রি।

সুপ্নগী হোস্পিটালশিং, ফার্মাসিশিং রিটেল ষ্টোরস, ফার্মসিয়ুটিকেল ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং চিঞাক পুথোকপা ফেক্টরিশিং হাংখিগনি। শীংনবা অসিগী চাওরবা চাং অদু চেংনা পল্লদুনা পাকিস্টানগী দাইরেক্টর জেনরেল–ইন্টর সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স জেনরেল ইফটিখরনা ঐখোয়গী পুন্সিদা মসিগী মান্নবা অমত্তা থেংনখিদ্রি হায়খি।

# বংলাদেশনা পব্লিক হোলিদে লাওথোকখ্রে, কোভিদ–১৯ লান্থেংনবদা আর্মিনা মতেং পাংলগনি



**ধাকা, মার্চ ২৪(এজেন্সি)ঃ** বংলাদেশতা কোরোনাভাইরসনা নাবা মশীং হেনগৎলকখিবদগী গভর্ণমেন্টনা মার্চ ২৬তগী এপ্রিল ৪ ফাওবা পব্লিক হোলিদে লাওথোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা পান্দেমিক অসিগা লোয়ননা থেংনবদা ওথোরিটিজদা মতেং পাংনবা আর্মি দিপ্লোয় তৌরগনি হায়রি।

বংলাদেশকী কেবিনেট সেক্রেটরি খান্দকের অনাৱারুল ইস্লামনা ঙরাং নিংথৌকাবদা ধাকাদা পাংথোকপা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অদু লাওথোকপনি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসনদা মতেং পাংনবা আর্মি দিপ্লোয় তৌরগনি। লৈবাক অসিদা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেদ ওফিস পূন্নমক মার্চ ২৭তগী ৪ ফাওবা থিংজিল্লগনি।

সটদাউন অসিদা মসিনা আইন ঙাক্লিবা এজেন্সিশিং অমসুং হোস্পিটালগুম্বা ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিংদি শোক্লোই হায়খি। পব্লিক ট্রান্সপোর্ট অকক্লবা চাং অমদা চৎনহনখিগনি অমসুং কৈথেলশিংদি মহৌশাগুম হাংখিগনি।

ইমর্জেন্সিগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং অমসুং নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৌনবগী নৎতনা মীয়ামবু মখোয়গী য়ুম থদোক্তনবা খঙহনখ্রে।

সিটিজেনশিংদা মখোয় অমগা–অমগা নকশিন্নদনবা, লাপ্ন–লাপ্ননা লৈনবগী থবক থৌওংসু চখনবা খঙহনখ্রে।

ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা বংলাদেশ হেল্‌ঠ ওথোরিজিনা কোভিদ–১৯ নাবা মীওই অমগা শিবগী পাউ ফংবদগী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা শিবা মশীং ৩ য়ৌখিবা, অদুগা নাবগী মশীং ৩৩ শুখিবগা হায়রিবা ৱারেপশিং অসি লৌখিবনি।

# থা ৮ ফাদুনা থম্লম্বা ওমর অবদুল্লা থাদোকখ্রে



**শ্রীনগর, মার্চ ২৪(এজেন্সি)ঃ** হান্নগী জম্মু এন্দ কাশ্মির চীফ মিনিষ্টর ওমর অবদুল্লাগী মায়োক্তা পানবা অকনবা পব্লিক সেফটি এক্ট (পি এস এ) অদু জম্মু এন্দ কাশ্মির এদমিনিষ্ট্রেসননা লৌথোকখ্রবা তুংদা মহাকপু থা ৮ ফাদুনা থম্লকখ্রবগী মতুংদা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থাদোকখ্রে।

ঐখোয় হিংবা অমসুং শিবগী লাল অমা থেংনরি হায়বসি ঐহাক ঙসি খংলে। ফাদুনা থম্লক্লিবা এখোয় পূন্নমক মতম অসিদা শোয়দনমক থাদোক্লগদবনি। কোরোনাভাইরস থেংননবা গভর্ণমেন্ট ওর্দরশিং অদু শোয়দনমক ইনগদবনি হায়না থাদোক্লবগী তুংদা ই–পাউগী কাংবুদা পীবা শন্নপ্পা পাউদম অমদা ওমর অবদুল্লানা হায়খি।

আর্টিকল ৩৭০গী মখাদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোক্লবা সেন্টরনা লাওথোকখিবা অমসুং ষ্টেট অসিবু জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখ হায়না য়ুনিয়ন টেরিটৌরি অনী থোক্লা খায়দোকখিবা আগষ্ট ৫গী মতুংদগী মার্চ ১০দা মশাগী চহী ৫০ শুরবা নেসনেল কনফরেন্স লুচিংবা অসি ফাদুনা থম্লকখিবনি।

মহাক্কী মায়োক্তা থম্লম্বা পি এস এ অদু লৌথোকপগী ওর্দর অদু হোম সেক্রেটরি সালীন কাব্রানা থোকখিবনি। অবদুল্লাবু প্রিভেন্টিব দিটেন্সন মখাদা মাগী থা ৬কী কষ্টদি লোইশিনগদবগী পুং খরগী মমাঙ ফেব্রুৱারি ৫দা অকনবা এক্ট অসিগী মখাদা অমুক ফাজিনখিবনি।

অবদুল্লাগী মমা অদুনা মহাক্কী মচা থাদোরক্কদৌরে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা দিটেন্সন সেন্টর ওইরিবা মফম অদুদা থুংলবদা মহাক্না ইহান হানখি। মহাক্কী মপা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অবদুল্লাসু পি এস এগী মখাদা মরান শীখি অমসুং নুমিৎ ২২১ ফাদুনা থম্লবগী মতুংদা মার্চ ১৩দা থাদোরকখিবনি।

অদুবু হৌজিকসু পি দি পি লুচিংবী অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিদি ফাদুনা মখাতানা থম্লি।

অতল বিহারি বাজপায়গী কেবিনেটতা ২০০০দা ওমর অবদুল্লানা জুনিয়ার ফোরেন মিনিষ্টর অমসুং কম্মর্স মিনিষ্টর ওইরমখি।

ফেব্রুৱারি ৫দা মঙোন্দা মরান শীখি অমসুং মদু মাগী মচন শারা অবদুল্লা পাইলোটনা সুপ্রিম কোর্টতা শীংনখি। মহাক নখোয়না থাদোক্লব্রা হায়বদু চয়োল অসিদা পাউ পীরক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টর অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মির এদমিনিষ্ট্রেসনবা হৌখিবা চয়োলদা খঙহল্লকখি।

# য়ু এসতা নোংমখক্তদা কোরোনাভাইরস নাবা ১৩৯ শিখ্রে



**ৱাসিংটন, মার্চ ২৪(এজেন্সি)ঃ** য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোরোনাভাইরস নাবদগী অহানবা ওইনা নোংমখক্তদা অনাবা মীওই ১৩৯ শিখিবদগী লৈবাকসিগী প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা মরুওইবা মেদিকেল সপ্লাইশিং অমসুং পার্সোনেল প্রোটেকটিব ইক্যুপমেন্ট পৈশিন্দুনা থম্বা থিংনবা এদজিক্যুটিব ওর্দর অমা সহি তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোরোনাভাইরসনা নাবনি খঙলবা অনাবা ৪৩,৭০০ হেন্না লৈখি। মসিগী মনুংদা ১০,০০০ হেন্না নোংমদা হাপচিল্লকখিবনি হায়না কোভিদ–১৯ কেসশিং খোমজিল্লিবা ৱেবসাইট ৱার্ল্ডওমিটরনা হায়রি।

শিখিবা ১৩৯ অদু থারগা নিংথৌকাবগী নুমিদাং ফাওবদা অশিবা মশীং পুন্না ৫৫০ য়ৌখ্রে।

হ্বাইট হাউসতা পাংথোকপা পাউগী মীফম অমদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা পাউমীশিংদা হায়খি, ৱাসিংটন ষ্টেট অমসুং কালিফোর্নিয়াগুম্বা অতৈ লাইচৎ অসিনা শোক্লবা মফমশিংগা লোয়ননা ন্যু য়োর্কনা মাগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা মরুওইবা অদুনি।

তঙাইফদনা চংবা মেদিকেল সপ্লাইশিং অমসুং ইমর্জেন্সি ইক্যুপমেন্ট ন্যু য়োর্কতা থারগনি, ফেদরেল ইমজেন্সি মেনেজমেন্ট ইমর্জেন্সিনা হৌজিক লৌবক অসিগী মফম কয়াদা এন –৯৫ রেস্পিরেটর মিল্লিয়ন ৮ অমসুং সর্জিকেল মাস্ক মিল্লিয়ন ১৩.৩ য়োম্থোক্লি।

ভাইরস অসিগী মায়োক্তা চপচানা কান্নবা ওইরম্বা য়াবা হৌজিক লৈরিবা দ্রগশিংগী ক্লিনিকেল ট্রায়েলশিং ন্যু য়োর্কতা হৌরগনি হায়নসু মহাক্না লাওথোকখি।

ক্লোরোক্বিনগী চাং য়ান্না ফংবা ঙম্নবসু ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা হোৎনরি। মসি অচৌবা গেমচেঞ্জর অমা ওইগনি। মরম অদুনা ঐখোয়না হয়েঙ (লৈবাকপোকপা) অয়ুক অঙনবদা ন্যু য়োর্কতা মদু য়েন্থোকপা ঐখোয়না উরগনি। মদুগী ফলশিং অদুদা মীওই কয়ামরুন্না আশাগা লোয়ননা য়ান্না হরাওগনি। ঐখোয়না মদু কুপ্না য়েংশিনগনি হায়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা পাউমীশিংদা হায়খি।

# লৈঙাক অসি নুপীশিংবু কিবগুম তৌই ঃ মেহবুবা মুফতিগী মচানুপী



**শ্রীনগর, মার্চ ২৪(এজেন্সি)ঃ** পি দি পি প্রসিদেন্ট মেহবুবা মুফতিগী মচানুপী ইলটিজা মুফতিনা নেসনেল কনফরেন্স লুচিংবা ওমর অবদুল্লাবু ফাদুনা থম্লম্বদগী থা ৮ লোমগী তুংদা থাদোক্লকপা ঙসি তরান্না ওকখ্রে।

অদুম ওইনমক, পব্লিক সেফটি এক্ট হায়বদুগী মখাদা হৌজিকসু মহাক্কী মমা ফাদুনা থম্লিবী ইলটিজা মুফতিনা মহাক্কী মমাবু মখা তানা ফাদুনা থম্লিবদুগী মতাংদা ফোঙদোক্তুনা নুপীশিংদা শক্তি পীবা অমসুং নুপীশিংবু মনিংতমহনবগী মতাং মাঙ–শক্তুনা তৌরিবা পূন্নমক অদুবু সেন্টরনা নুপীশিংবু কিবগুম তৌবদগীনি হায়খি।

মহাক থাদোরকখিবা অদু নুংঙাই অদুবু সেন্টরনা নারি শক্তি অমসুং ৱুইমেন ইমান্সিপেসনগী ঙাংলি, মদু পূন্নমক ওইদুনসু লৈরিবা লৈঙাক অসিনা নুপীশিংবু খ্বাইদগী হেন্না কিবা মাল্লি হায়না মেহবুবা মুফতিগী ত্বিটর হেন্দলদা ইলটিজানা ইখি।

পি দি পি প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিবু হৌখিবা চহীগী আগষ্টতগী ফাজিন্দুনা হেক থমখিবদগী মহাক্না মাগী মমাগী ত্বিটর হেন্দলদা ত্বিট তৌরক্লি।

ফেব্রুৱারি থাদা পব্লিক সেফটি এক্টকী মখাদা মঙোন্দা শিখিবা মরানশিং অদু লৌথোকখ্রবা তুংদা ওমর অবদুল্লা থাদোকপগী ওর্দর অদু থোকখিবনি। মার্চ ১০দা মশাগী চহী ৫০ শুরবা হান্নগী জম্মু এন্দ কাশ্মির চীফ মিনিষ্টর অদুনা কষ্টদিদা নুমিৎ ২৩২ লেনখ্রে। মদু হৌখিবা চহীগী আগষ্ট ৫দা মতমদুগী ষ্টেটকী স্পিসিয়েল ষ্টেটস অদু ককথৎলে হায়না গভর্ণমেন্টনা লাওথোকখিবা মতুংদগী মহাকপু ফাদুনা থম্লকখিবদগীনি।

নেসনেল কনফরেন্স লুচিংবা অসি অহানবদা প্রিভেন্টিব কষ্টদিদা ফাদুনা থমখি অমসুং কষ্টদিগী মতম লোয়রমদাই পুং খরগী মমাঙ ফেব্রুৱারি ৫দা মহাক্কী মথক্তা পব্লিক সেফটি এক্ট পানুদনা দিটেন তৌখিবনি।

# শিবরাজ চৌহান মধ্য প্রদেশ এসেমব্লিদা পাঙ্গল চাংয়েং মায় পাকখ্রে



**ভোপাল, মার্চ ২৪(এজেন্সি)ঃ** মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱাশক লৌখ্রবা শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ঙসি এসেমব্লিদা থাজবগী চাংয়েং পাংথোক্লবগী ৱাফম অমা পুখৎখি অমসুং মদু ভোইস ভোটতা মহাক্না নুংঙাইনা পাস তৌখি। হাউস অদুদা ওপোজিসন কোংগ্রেসকী মেম্বর অমত্তা শরুক য়াখিদে।

এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম অদু হৌরবা মতুং থুনমক হাউসতা থাজবগী ভোট অদু লৌনবা মিষ্টর চৌহাননা পরেং অমগী ৱারোল অমা থাগৎখি। মহাক্কী ৱাফম অদু ভোইস ভোটকী খূৎথাংদা শৌগৎখি।

স্পিকরগী পেনেল মেম্বরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সেনিয়ার বি জে পিগী এম এল এ জগদিশ দেবদানা স্পিকরগী চিয়ারদা ফমখি। মিষ্টর চৌহাননা পাঙ্গল চাংয়েং অদু পাস তৌরবা তুংদা মার্চ ২৭ ফাওবা হাউস অদু এদজোর্ন তৌখি।

বি জে পিনা থাজবগী ভোট অদু শৌগৎনবা মখোয়গী এম এল এশিংদা হ্বিপ জারিখি।

হান্না লৈরম্বা কমল নাথনা লুচিংবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টকী মেজোরিটি মাঙখ্রবা তুংদা গভর্ণমেন্ট অদু তুখ্রবগী নুমিৎ খরনিগী মতুং ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা শিবরাজ সিংহ চৌহানবু মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি।

জোতিরদিত্যা সিন্দিয়াবু য়াবা কোংগ্রেস এম এল এ ২২না বেঙ্গলুরুদা পাইখিবা অমসুং রিজাইন তৌখিবা মতুং কোংগ্রেসনা মখোয়গী মেজোরিটি মাঙখি। রিজাইন তৌরবা এম এল এশিং অদু কোন্না বি জে পিদা য়াওখি।

কোংগ্রেসনা রিবেল এম এল এশিং অদুগা পাউ ফাউননবা অমসুং থেমজিন্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মখোয় অমত্তা অমুক হন্না পুরকপা ঙমখিদে।

এসেমব্লিগী ফ্লোরদা থাজবগী চাংয়েং পাংথোক্লবগী মতাংদা মতম খরগা হেন্না পীয়ু হায়বা মখোয়গী আপিল ককথৎলদুনা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তম্বা–ঙমদ্রবা ফিভম অসি শোয়দনমক লোইশিনগদবনি হায়খি অমসুং হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙ্গল চাংয়েং তৌনবা ওর্দর তৌখিবনি।

# কোভিদ–১৯গী মতাংদা চিনাগী মথক্তা য়ু এস উকিলনা দোল্লর ট্রিল্লিয়ন ২০গী কেস থাঙ্গৎখ্রে



**ৱাসিংটন, মার্চ ২৪(এজেন্সি)ঃ** মালেমদা মীওই ৩,৯৬,২১১ হেনববু নাহনখ্রবা নোবেল কোরোনাভাসরস শেমখিবা অমসুং থাদোকপগীদমক চিনাগী মথক্তা অমেরিকাগী উকিল লেররি ক্লেমেননা দোল্লর ট্রিল্লিয়ন ২০গী লো সুট অমা থাঙ্গৎখ্রে।

নোবেল কোরোনাভাইরস অদু লানগী বাইওলোজিকেল ৱিপন ওইনবা চিনানা দিজাইন তৌখিবনি। মদুদা চিনানা য়ু এস লো, ইন্টরনেসনেল লোশিং, ট্রিটিশিং অমসুং নোর্মশিং থুগাইরে হায়না উকিল অসিনা নোরদর্ন দিষ্ট্রিক্ট ওফ টেক্সাস কী য়ু এস দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা কেস অদু থাঙ্গৎখিবনি।

ভাইরস অদু লোবোরেটরি অদুগী মনুংদা থম্বগী মরম অদু য়ু এস সিটিজনশিং অমসুং অতৈ মীওইশিং অমসুং চিনাগী য়েক্লবনি খনবা লৈবাকশিংগী এন্টাইটিশিং হাৎপদা শিজিন্নবনি হায়না উকিল অদুনা মরান শীখি।

চিনাগী ৱুহান সিটিদগী অহানবা হৌরকখিবা ভাইরস অদুনা লৈবাক অমসুং টেরিটোরি ১৮৯দা শন্দোরকখ্রে, অমসুং ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন ৱেবসাইটতা ফংবা খ্বাইদগী নৌবা দাটাগী মতুং ইন্না মীওই ৩,৯৬,২১১ হেন্না নাখ্রে অমসুং ১৭,২৫০ হেন্না শিখ্রে।

| GAS TODAY | |
|---|---|
| Ereicha Indane, Lilong | |
| Booking | : 21/01/20 |
| Valid | : 13/11/20 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 10.00 a.m. |
| First Come First Serve | |
| Home Delivery Service Available | |

সনা–সুদোকু – ৪১৫ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 2 | 5 | 8 | 6 | 4 | 9 | 1 |
| 8 | 4 | 5 | 1 | 2 | 9 | 3 | 6 | 7 |
| 9 | 6 | 1 | 7 | 4 | 3 | 8 | 5 | 2 |
| 2 | 8 | 4 | 9 | 3 | 5 | 1 | 7 | 6 |
| 7 | 1 | 3 | 2 | 6 | 8 | 5 | 4 | 9 |
| 6 | 5 | 9 | 4 | 1 | 7 | 2 | 8 | 3 |
| 5 | 2 | 6 | 3 | 7 | 4 | 9 | 1 | 8 |
| 1 | 9 | 8 | 6 | 5 | 2 | 7 | 3 | 4 |
| 4 | 3 | 7 | 8 | 9 | 1 | 6 | 2 | 5 |

# চিনানা ৱুহানদগী লোকদাউন এপ্রিল ৮দগী লৌথোক্লগনি

**বৈজিং, মার্চ ২৪(এজেন্সি)ঃ** মালেম পাকশন্না শন্দোকপা লাইচৎ কোরোনাভাইরস পান্দেমিক অহানবা হৌরকখিবা মফম চিনাগী হুবৈ প্রোভিন্সতা থম্লম্বা লোকদাউন হায়বদি অথিংবশিং অদু এপ্রিল ৮দগী লৌথোক্লগনি, অদুবু মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লকপা ইনফেক্সনশিংগী মরমদগী নৌনা নাবা মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা অতৈ রিজনশিংদদি লাক্সিনবা কনখৎহনগনি হায়রি।

হুবৈ প্রোভিন্সতগী চৎখিগদবা মীওইশিং হেল্‌ঠ ক্লিয়ারেন্স কোদ অমা পায়রবদি হয়েঙ মার্চ ২৫দগী অথিংবশিং লৌথোক্লগনি হায়না হুবৈ হেল্‌ঠ কমিসননা লাওথোকখ্রে।

ভাইরস অসি অহানবা থোক্লকখিবা মফম অমসুং জনুৱারি ২৩দগী পাক্তক্লনা মপুং ফানা লোকদাউন তৌদুনা থম্লকখিবা প্রোভিন্স অসিগী কোনুং ৱুহানসু এপ্রিল ৮দগী চখোক–চৎশিনগী থম্লম্বা অথিংবশিং লৌথোক্লগনি।

অদুম ওইনমক হৌজিক মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লকপা ইনফেক্সনশিং হেনগৎলকপা য়াবগী খুদোঙথিবা লৈবনা কোনুং বৈজিং গুম্বা অচৌবা সিটিশিংদা হেন্না কনবা স্ক্রীনিং অমসুং ক্বারেন্টিনগী থবক চখগনি।

ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা চিনাদা অনৌবা অনাবা ৭৮ লৈখি। মসি নোংমাইজিং নুমিৎতগী শরুক অনী হেনগৎলবনি। ৭৮ অদুগী মনুংদা ৭৪দি মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লকপনি হায়না নেসনেল হেল্‌ঠ কমিসননা হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা মপান্দগী পুশিল্লকখিবা অপুনবা মশীং ৪২৭ ওইখি, সুপ্নগী অনৌবা অনাবা ৪ খক্তমক লৈবাক মনুংদগী লৌনরকপনি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-416**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 5 | | 6 | 4 | 9 | |
| 8 | | | | | 9 | | 6 | 7 |
| 9 | | | 7 | | | 8 | | 2 |
| 2 | 8 | | | 3 | | | 7 | |
| 7 | | | 2 | | 8 | | | 9 |
| | 5 | 9 | 4 | | | 2 | | |
| | 2 | 6 | | 7 | | | | 8 |
| | 9 | 8 | | 5 | 2 | | | |
| | | 7 | | 9 | | | 2 | |